# পোকপদা ঙাইরিবা এম য়ু সীদা ঈরাং

- এন টিকেন -

মণিপুরগী নাৎ (কলচর) গী মনুংদা পুক্কে চোন্না কলাগী পোত্থোক কয়া লৈ। কলাশিং অসিগী মনুংদা জগোয়, ঈশৈগী মশা-মরেং ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোক্লা লৈ। অদুম ওইনমক কলা মখলশিং অসিদা একাদেমিক ইনপুট ৱাৎপগী নিংদোল পোমদুনা লৈরিঙৈদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) মণিপুর লৈঙাক্লা কলাকারিশিংদা খুদোল তল্লকই। ঐখোয় পূন্বনা ৱারস্বা একাদেমিক ইনপুট ৱাৎপগী নুংনাংবা অদু খরমখে ফরগনি হায়না নুংঙাইবা ফাওরিবনি। মদুতা নত্তনা মণিপুরগী কলচরগী মরমদা মাইক্রো লেভেল ৱর্ক কয়া পাঙথোকপা ঙল্লগনি খল্লুবদা হীরম অসিদা লৈরিবা অমসুং পামজবা মীওইশিংনা কয়ামুক নুংঙাইরমগনি। অসুম্না কলাকার কয়ানা চাওরবা মঙলান কয়া মঙবা হৌরকপগা কদোমদগী লাকপা নুংশিংনো অমনা তুংগী মঙ মঙজবা কলাকার খরগী থম্মোয় শোকহল্লে। অহানবদা শুপ্নতগী এম এ দান্স অমসুং ম্যুজিক্তা মীং চনবা পামজবা কাঙবুতগী ওইরবোই নীংলম্মী। য়ুনিভর্সিটি অসিগী থৌ পুরিবশিংনা শেল্লকপা য়ুনিভর্সিটিগী চৎন-কাঙলোন অদু পারুরগা/উরুরগা ইজরিবা ঐঙোন্দা ৱাহং কয়া ফাওহল্লি।

ইন্সটিট্যুসন অসিগী থৌ পুরিবশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসি মপূং ফানবা অমসুং অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবা কন্না হোৎনবীরমগনি, হোৎনফমসু থোকই। হোৎনবা অদুগী মনুংদা চৎন-কাঙলোন হায়বা অসি য়াম্না মরু ওইরিবনি। অদুম ওইনমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, রবিন্দ্র ভারতি য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা মশাগী জেনরেল এদ্যুকেসনদা বি এ পাস তৌরবা অমসুং জে এন এম দি এ, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমসুং শ্রীশ্রী বালমুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজদগী দিপ্লোমা/বিশারদ পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংবু এম এদা মিং চনবা য়াহল্লি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদদি চহী অমা থেংথহন্নবা চৎন-কাঙলোন শেল্লকই। মসিনা তাকপদি অতৈ য়ুনিভর্সিটিনা মথক্তা পনখ্রিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসি শক খঙজরবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা ইকায়খুম্নদে হায়বদা লানগনি থাজদে। এম য়ু সীগী ওইবা তোঙানবা ৱাখল্লোন লৈরম্বদি য়াই, অদুম ওইনমক এম য়ু সীগী চৎন-কাঙলোন অসিনা মীং চনবদা খুদোংচাদবা থোক্লিবা মহৈরোয়শিংতা নত্তনা জে এন এম দি এ, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ অমসুং ম্যুজিক কোলেজদা পাস তৌখ্রবশিং, ওজা ওইরিবশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিদা থবক তৌজরিবা মীওইশিংদসু পূক্নিং শোকহল্লি। মরমদি ফাইন আর্টস অমদি থিএটরনচিংবা দিপার্টমেন্টদা মিং চনবা মতমদদি মশাগী জেনরেল এদ্যুকেসনগা বি এ পাস তৌরবা অদুগা মানা তমজনীংবা লাইনদা বি এ পাস তৌরিবা মীওইশিংদি দাইরেক্ট এম এদা মিং চনবা য়াহল্লি। মসিদা নত্তনা থিএটরদদি এন এস দি (নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা) গী চহী অমখক্কী ত্রেনিং লোইরবা মীওইসু এম এদা মিং চনবা য়াহল্লি। মরম অদুনা মণিপুরগী মথক্তা পনখ্রিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিখক্তবু অতন্নবা চহী অমা থেংথহন্নবা শিল্লবরা হায়বা অসিনি।

পনবা য়াবদি, ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিদগী হৌখিবা মহৈরোয় কয়া মপানগী য়ুনিভর্সিটিদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট, দান্স, প্রোফেসর দান্স এন্দ ম্যুজিক, এসোসিএট প্রোফেসর ওইনা হৌজিক হৌজিক থবক তৌরিবনি। মদুগীসু মথক্তা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মগুন লৈরবা গুরু কয়া, স্কোলর কয়া, প্রোফেসর কয়া পুথোকখ্রবনি। অহুম অসি লৈবদগী মণিপুরগী আর্টস এন্দ কলচর মালেমগী থাক্তা ফিদা ফংলিবনি। মদুতা নত্তনা মসিদগী থোকখিবা মহৈরোয়শিংনা কোরিওগ্রাফর, দাইরেক্টর, ম্যুজিক দাইরেক্টর পুথোকপদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ভোলুন্টরি ইন্সটিট্যুসন কয়া লিংখৎতুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ৌশিনবা ঙমদবা আর্ট এন্দ কলচরগী হীরম কয়াদা মতেং পাংলিবনি। মরম অদুনা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসি এম য়ু সীগী থৌ পুরিবশিংনা পেরেন্ট ইন্সটিট্যুসন ওইনা লৌদুনা ইকায়খুম্নবীফম থোকপনি। হৌজিক হৌজিকমক ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসন সিষ্টমনা শোকহল্লবা ইন্দিয়া পূম্বগী কলচর উরগা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা রবিন্দ্রনাঠ টেগোরনচিংবা গুরু শিষ্য পরমপরাদা মরু ওইবা পীরম্বা অদোমদা মীৎয়েং থমদুনা ইন্দিয়াগী এদ্যুকেসন পোলিসি শেমদোক্লবা হোৎনরিবা মতমনি। মতম অসিদা এম য়ু সীনা গুরু শিষ্য পরমপরাদা যূম্ফম ওইরিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম্বু হন্থনা য়েংবীবা হায়বসি তৌহনজনীংদে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী চান্সেল্লর ওইবীরিবী ইকায়খুম্নজরিবী মণিপুরগী গভর্ণর ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা অমসুং কলাগীদমক কৎথোক্লবা ইমুংদগী হৌরকপতা নত্তনা জে এন এম দি এগী চেরমেনসু ওইবীরিবীনি।

হীরম অসিদা ইকায়খুম্নজরিবী গভর্ণরনসু মীৎয়েং চঙবীরক্কনি খঞ্জে। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা য়েৎনবা অসিনা মরম ওইদুনা মথক্তা পঞ্জরিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা এম য়ু সীদা কো-ওপরেসন পীরক্তবা য়াই। মরু ওইনা গুরু শিষ্য পরমপরাদা লৈজবা কলাকারশিংনসু কো-ওপরেসন পীরক্তবা য়াই। মতম অদুদা এম য়ু সীনা পুথোকপা একাদমিসিয়ন নত্তনা অশেংবা কলাকারগী মফম লৈরক্তবা য়াই। লৈরিবা ফীভম অসিদা মুক্লুদুনা অদুমক লৈরবদি তুংদা মণিপুরগী কলাকারশিং মচোই-মচোই তানরকপা য়াই। করিগুম্বদা ফনবা হোৎনবদা অশোয়বা থৌশিল অমা ওইদনবা হোৎনবীরিবা এম য়ু সীগী থৌ পুরিবশিংবু ইকায়খুম্নজবগা লোয়ননা হায়জরি, য়ারগদি অতৈ য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনবগুম এম য়ু সীদসু চৎনহনবীয়ু। মথক্তা পনখ্রিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিগা এম য়ু সীগা নক্লবা মরী লৈরগদি হান্না লৈরম্বা পরমপরাগা অনৌবা মতমগী সিষ্টমগা পুনশিন্দুনা হেন্না মপূং ফাবা মণিপুরী কলচরগী ফজবা মশক অদু পুরক্লবা হোৎনহন্নীংই। হীরম অসিদা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবশিংনসু অমুক্তং মুন্না খন্থবিনবা হায়জরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগীদমক ইন্সপেক্সন চৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনবু এদমিনিষ্টর তৌনবা চৎলিবা থা অসিগী ১২দা চীফ সেক্রেটরি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীটিংদা হায়নখিবা মতুং ইন্না দি সি বিষ্ণুপুর নিতা অরাম্বমনা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স ওন কোভিদ-১৯ বিষ্ণুপুরগী মেম্বরশিংগা পূন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন ফেসিলিটিশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা দি সি বিষ্ণুপুর নিতা অরাম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ সেক্রেটরিগা ভিদিও কনফরেন্সগী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা মীটিং অমগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স ওন কোভিদ-১৯ হায়বা টিম অমা শেল্লগা ঙসিগী ইন্সপেক্সন অসি পাঙথোকখিবনি।

খোঙচৎ অদু মরু ওইনা ভেক্সিনেসন ষ্টোল তৌরিবা মফম, লৈরিবা ফেসিলিটিশিং অমদি ভেক্সিন কাপ্পা নুমিত্তা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অৱাৎ-অপা লৈব্রা হায়না য়েংশিনখিবনি। মসিগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী জুরিদিক্সনগী মখাদা লৈবা হেল্থক্যের ৱর্করশিংদা চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন অসি কাপথোকপীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

সি এম ও বিষ্ণুপুরনা হায়খিবদা, ভেক্সিনেসন অসিগী মতাংদা মীয়াম্না চিংনবা লৈরিবা অসি থাদোকপীয়ু। ভেক্সিন অসি কোভিদ-১৯ মহীক্তগী কন্ননবা কাপ্পনি, মসিদা কিনিংঙাই লৈতে। ঐ ইশামক চহী ৬০ শুরে। অদুবু লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৬তা অহানবা ফেজগী ওইনা কাপকদৌরিবা ভেক্সিন অসিদা ইশামকসু হেল্থক্যের ৱর্কর অমা ওইনা ভেক্সিন অসি কাপথোক্কনি হায়খি।

ঙসি চত্থখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এদিসনেল এস পি বিষ্ণুপুর লুইখাম লানমিও, সি এম ও বিষ্ণুপুর এল গোজেন্দ্রো, বিষ্ণুপুর জি পিগী অধক্ষ্য ডা: রোমাবাই লাইরেঞ্জম, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: এন বিনো অমদি দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স বিষ্ণুপুরগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

### দ্রাইভর্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর্স দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন (এ এম পি টি দি য়ু)না শীন্দুনা মালোম তুলিহলদা লৈবা ওফিসতা একজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা দ্রাইভর্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এ এম পি টি দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি পি রোবিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহৌশাগা মান্নদনা গভর্ণমেন্টনা পীবা এস পি ও ঙাক্তুনা একজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা য়াম্না চম্বা মওংদা থৌরম অদু পাঙথোকখি। মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিয়ন, এসোসিয়েসনশিংনা দ্রাইভর্স ডে পাঙথোক্লরিবা অসিবুসু য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু দ্রাইভর্স ডেগী থৌরম পাঙথোকপদা দ্রাইভর্স ডেগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকপু লান্না উহনবা মওংদা পাঙথোক্লিবা অসি মখা তানা তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুদা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা, ওল সঙ্গাইয়ূম্ফম টাটা মেজিক দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন, সঙ্গাইয়ূম্ফমনা শীন্দুনা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সঙ্গাইয়ূম্ফম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অন্দর সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট ডা: ময়েংবম ভেটোনা অথোইবা মীথুং, সঙ্গাইয়ূম্ফম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এমদি হিবজুর রহমননা থৌরম মপু, সঙ্গাইয়ূম্ফম পার্ট-২ জি পিগী নোমিনী প্রধাণ এমদি ৱাহিদুর রহমন অমসুং সোসিয়েল ৱর্কর মেঞ্জোরনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অন্দর সেক্রেটরি ট্রান্সপোর্ট ডা: ময়েংবম ভেটোনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রাইভরশিংনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক্তা তৌরিবা থবকশিং অসি দোক্টর, ইঞ্জিনীয়ারশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিংগা খেন্নবা নত্তে। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা চৈথেংশিং অসিবু কোকহন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা তমথিরবা লাইচৎ অসিবু তুংওইনরগা মীয়াম চানথক্লবা লৌবীরুবা অমদি মপান্দা লৈখ্রবা মীয়াম্বু পুশিনবীরকপা অসি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎনিংঙাইনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, দ্রাইভরশিংগী মীৎ-নাকোং ওইগদবা লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবা কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা দ্রাইভরশিংগী পূক্নিং থৌগৎখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভরশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অচম্বা খূদোলসু তমখি হায়রি।

### সি পি আই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): ইরাবত ভৱনদা ফমখিবা সি পি আই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীফম অমদা ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়াগী কেপিটেল ন্যু দেলিদা লৌমী লিশিং কয়ানা বি জে পি লৈঙাক্কী এগ্রিকলচরগী বিল অহুমগী মায়োক্তা নুমিৎ ৪৫নি চুপ্না হনবা লৈতনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা সী পি আই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শৌগৎলি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল, সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি টিঐচ মেঘচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, বি জে পিগী তমথিবা দিক্টেটোরিয়েল ওইবা মওংগী থবক খূত্তৌদা পার্লিয়ামেন্টতা খন্ন-নৈনদনা পাস তৌদুনা চৎনহল্লিবা এগ্রি এক্ট অসিনা ইন্দিয়াগী লৌমী লাক্ষ কয়াগী মপুন্সি মাঙহন্নবা শীল্লিবা অসি সি পি আইনা য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

ইন্দিয়াগী য়ামখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা লৌমীনা মশীং খ্বাইদগী হেল্লি। লৌমীশিংনা লৈবাক অসি থাক্লি। লৌমীবু নমথবগী বি জে পিগী থৌওং অসিনা লৈবাক অসিবু হেন্না হেন্না অৱাবদা লংথরগনি। মতম অমগী মমাঙদা লৌমী লুচিংবশিং অমদি এগ্রিকলচর সাইন্টিষ্ট কয়াগা লোয়ননা পোলিটিকেল লীদর কয়াগী দিমান্দ মখাদা পার্লিয়ামেন্টনা কৃপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা স্বামিনিথান কম্মিসন লিংদুনা ইন্দিয়াদা এগ্রিকলচর চাওখৎহন্নবা অমদি লৈবাক চাওখৎনবগীদমক হোৎনখিবনি। হন্দক পাস তৌখিবা বিল অহুম অসিনা এগ্রিকলচর চাওখৎহন্দবা অমদি লৈবাক অসিবু তুংলোমদা চিংথরগনি। হিটলরগী দিক্টেটোরিয়েল রুলনা জর্মনিবু অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওলোমদা চঙশিনখিবনা লৈবাক অদুবু লৈখা তাবা লৈবাক অমা ওইহনখি।

ঙসিসু বি জে পিনচিংবা নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়াবু চাওখৎপদগী তুংলোমদা হনখিনবা হোৎনরিবসি সি পি আইনা য়াবা ঙম্লোই। মীয়াম হৌদুনা থিংনবা হোৎনগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

ইরাবত ভৱন্দা ফমখিবা মীফম অদুদা কমরেদ এন সিংহজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা কমরেদ এল সোতিনকুমার, কমরেদ এম জয়কুমার, কমরেদ এ কালা, কমরেদ ও ইবোতোম্বী অমদি কমরেদ ডা: এম নরসু শরুক য়াখি হায়রি।

#### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 31/AS&SO/TBL, dt: 08-01-2021**

Thokchom Shyamkishor Singh S/o (L) Th. Angahal Singh of Khangabok Part - II Cherapur Khunou Leikai. *...Applicant.*

-Vs-

(1) (Late) Thokchom Kameshor Singh S/o (L) Leikon Singh of Khangabok. (2) -do- Dhanjoy Singh S/o -do- of -do- (3) -do- Gunadhor Singh S/o Gunadhor Singh S/o -do- of -do- (4) -do- Nadra Singh S/o (L) Kananjao Singh of -do- (5) -do- Angahal Singh S/o (L) Thambaljao Singh of -do- (6) -do- Megha Singh S/o (L) Kanhai Singh of -do- *...Opp.*

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 13/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক পাট্টা নং ৩৩/৬১৯, ৩৩/১৫৮ (অরিবা), ১১২৮ (অনৌবা), দাগ নং ২৩৪৫, এরিয়া ০.২০০০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদারশিং অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি থোকচোম শ্যামকিশ্বর সিংহগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/8579/15

#### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 247/SDC/K dt. 21/01/2021**

Mayengbam Nodia Singh S/o (L) M. Tomba Singh of Keirak Mayai Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

Elangbam Ningol Keinahal Devi D/o (Late) E. Iboton Singh of Keirak. *-OPP.*

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Kakching the 12th January, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং তহশিল খুল নং ৬৫- কৈরক অনৌবা পাট্টা নং ১০৫, অরিবা ৬৫, অং দাগ নং ১৩৯৩গী লম হেক্তর ০.০৫৯৪ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং ককথৎপীরগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০১/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ৱাকৎপীরক্কদবনি। মসিগী তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চত্থজরগনি।

HL-P/6699/15 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Kakching

#### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 02/SDC/Kakching dt. 02/01/2021**

Applicant - (১) মু: সৌকৎআলি পীং মৃ: কারাপ আলি সাং কৈরক মখা লৈকায় (২) মু ভুমেদআলি পীং ঐ সাং তথা (৩) মু: অমজাদ খান পীং ঐ সাং তথা (৪) মু: মোর্মিন পীং ঐ সাং তথা (৫) মু: অকবর পীং ঐ সাং তথা (৬) মু: আমন পীং ঐ সাং তথা।

-Vs-

Late Pattadar - অসিতুল্লাহ পীং মৃ: নসুব অলি সাং কৈরক

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

02/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুল নং ৬৫- কৈরক পাট্টা নং ৩৫ অনৌবা, দাগ নং ২৪১৬ এরিয়া ০.১৫০৫ হেক্তর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার (লৈখিদ্রে) মৃ: অসিতুল্লাহ সাং কৈরক অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং ককথৎপীরগা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/6699/15 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Kakching

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

**Ref :- Mut. Case No. 01/SDC/Hiyanglam Dt. 10/01/2021**

Sayed Mujibur Rahaman S/o (L) Nuri Ali Haji of Sekmaijin Khunou.

-Vs-

(1) (Late) Kadir Miya S/o (L) Ningthoujao of Sekmaijin Khunou Konuma. (2) Abdul Jabar S/o (L) Kadir of -do- (3) Md. Iboyai Miya S/o Nasib Ali of -do- (4) (Late) Nur Ali Haji S/o (L) Jamalidin

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা Syed Mujibur Rahaman তহশিল খুল নং হিয়াংলম এস দি সী পাট্টা নং ৭৬৪/৪০২ অনৌবা, দাগ নং ১১৩০, এরিয়া ১.৮৮৫০ হেক্তর লৌফম অসিগী পাট্টাদার (1) Late Kadir S/o (L) Ningthoujao (2) Nur Ali Haji সাং সেকমাইজিন খুনৌ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6699/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Hiyanglam***

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 16/SDC/NBL of 2021**

(1) Ngangom Dhamendra Singh S/o Ng. Birahari Singh of Kakyai Mamang Leikai (2) Naresh Ngangom S/o (L) Chaoba Singh of Kakyai Mamang Leikai. *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Ngangom Chaoba Singh S/o (L) Birahari Singh of Kakyai. -P.O.

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. (1) 59 (Old), 120/658 (New) (2) 59 (Old), 588/659 (New), Dag No. (1) 409/503 (2) 410/505 an area of (1) 0.16 (2) 0.27 of Ingkhol Class হায়রিবা মফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8578/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 20/SDC/NBL of 2021**

Leimapokpam Joykumar Singh S/o L. Kishworkumar Singh of Leimapokpam Khunpham Awang. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Leimapokpam Manglem Singh S/o (L) L. Tomba of Leimapokpam -P.O.

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12 - Leimapokpam Patta No. 806 (New), 762 (Old), Dag No. 1627 an area of 0.94 of Taothabi Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8578/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 18/SDC/NBL of 2021**

Naorem Ranjit Singh S/o N. Shamu of Thiyam Makha Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

1) (Late) R.K. Birendra S/o (L) Sanajaoba Singh
2) Thokchom (O) Sanahanbi W/o (L) Iboyaima of Thiyam -P.O.

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15 - Thiyam Patta No. 41 (Old), 190 (New), Dag No. 203 & 206 an area of 0.18 & 0.89 of Phourel Classes হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8578/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 19/SDC/NBL of 2021**

Naorem Ranjit Singh S/o N. Shamu of Thiyam. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) R. K. Tomalsana S/o (L) Sanajaoba of Thiyam. -P.O.

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15 - Thiyam Patta No. 77 (Old), 41/413 (New), Dag No. 205 an area of 0.59 out of 1.12 of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8578/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

#### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 17/SDC/NBL of 2021**

Leimapokpam Joykumar Singh S/o L. Kishworkumar Singh of Leimapokpam Khunpham Awang. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Leimapokpam Nimai S/o (L) Tomsing of Leimapokpam -P.O.

ꯆꯩꯊꯣꯛ / **NOTICE**

Dt. 14/01/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12 - Leimapokpam Patta No. 792 (New), Dag No. 1761 an area of 1.04 of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8578/15 ***Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol***

#### GOVERNMENT OF MANIPUR
#### EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,
#### EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT.

N 0 T I C E

Imphal, the 11th January, 2021

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are lying vacant in the Directorate of Vety & A.H. Services, Manipur. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Asstt at Room. No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below

| Sl No. | Name of Department | Name of post | Number of posts. | Qualification. | Date of submission/ Sponsored. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur. | Vet. Attendants | 100(one hundred) 50-UR,31-ST, 2-SC, 10-OBC(M), 4-OBC(MP),3-PH, | Matriculate / HSLC or equivalent from a recognized University/Board. Matriculate | 12-1-2021 to 14-2021 |
| 2 | -do- | Vety. Field Assistant | 60(Sixty), 31-UR,1-SC, 18-ST,6-OBC(M),2-OBC(MP), 2-PH. | Matriculate/HSLC or equivalent from a recognized University/Board Plus(one) year V.F.A, Training Course passed from a recognized Institution by the Department. | -do- |
| 3 | -do- | Primary Investigator | 2(two)- UR | 10+2 /P.U.C. or equivalent from a recognized University/Board. | 15-1-2021 |

Age:-18 years to 38 years as on 01-01-2021, 5 years Relaxation for ST/SC candidates and 3 Year for OBC Candidates.

N. SADANANDA SINGH
Asstt Employment Officer, Imphal west.

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।